ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমসুং ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ইমুং ৩৭৮দা চেঙ মতেং পাংখিবা

ককচিং খুন্নাই চাউখৎহনবা লূপ (কে কে সী এল) অমদি নহাশিংগী খোম্থাংগী থৌমীশিংনা ককচিং ৱাইরি জুনিয়র হায় স্কুলগী অকোয়বা মফমশিং শিং শেংদোকখিবগা লোয়ননা উ চারাশিং থাখিবা

অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু সোংয়াং খুল মনাক্তা চেক তৌবদা ট্রক অনীদা হাপ্তুনা পুরকপা ক্বা শুপারিশিং মীওই অহুমগা কোন্ননা ফাগৎখিবা

এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইলেক্সন ওবজার্ভর জয়রাম রামেশনা ৱাংখেম এ সীগী ব্লোক কোংগ্রেস, মহিলা কোংগ্রেস অমদি য়ুথ কোংগ্রেসকী মীহুৎশিং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী য়ুমদা উনখিবা

ক্বা শুপারি ট্রক লোদ অনী ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা লৈবা চান্দেল বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস কাঙবুনা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু সোংয়াং খুল মনাক্তা বোর্দর ফাওরগা লাকপা ট্রক অনী খামদুনা চেক তৌবদা মরী নৈবা চে-চাং য়াওদনা লাকপা মীওই অহুম ক্বা শুপারিগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী ক্রুপ অদুনা পোৎ-চৈ পুদুনা লাকপা ট্রক অনী অদু খামদুনা চেক তৌবদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ৮৫.৮গী ক্বা শুপারিশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কা কোন্ননা ফারবা স্মগ্লর অহুম অদু চান্দেল পুলিস ষ্টেসনদা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে।

উহৈ পান্বী য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): গ্রীন মণিপুর অমসুং হৈ-রা মরাং কায়না পুথোকপা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা চমপ্রা অমসুং কমলা পান্বী ৫০০ কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈবা হাওতক অৱাং লৈকায়গী লৌমীশিংদা য়েন্থোকখ্রে। উহৈ পান্বীশিং য়েন্থোকখিবা থৌরম অদু কে ঐচ নবকুমারনা মফম অনীদা চমপ্রা অমসুং কমলা পান্বী থাদুনা হৌদোকখি। লোয়ননা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টবুসু হৈ-রা চারা পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): লাইন মেন্টেনেন্সকা মরী লৈননা সঙাইপ্রৌ সব-ষ্টেসনদগী মৈ পীরিবা ২২ কেভিঘড়ী ফিদ্দর অসি সেপ্টেম্বর ১গী অয়ুক পুং ১০.৩০দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা ১১ কে ভি ঘড়ী ফিদ্দর অসিনা মৈ পীরিবা সগোলবন্দ থিঙোম লৈকায়, লমদোং সঙাইপ্রৌ মমাঙ, ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায় অমদি তখেল লৈকায়নচিংবগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এলগী আই ঈ দি-১গী দি জি এম, টি ইবোচৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): আর্ট এন্দ কলচর অমসুং স্পোর্টসপু চাউখৎনবা হোৎনবদা অমদি নহারোলশিংগীদমক্তা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা থবক কয়া তৌরমখিবা এসোসিএসন ফোর পাউনা মেমোরিএল আর্টস এন্দ রুরেল দিভেলপমেন্ট সর্ভিসেস (এ পি এম এ আর দি এস)কী এদভাইজর ওইদুনা মতম শাংনা এসোসিএসন অসিবু লমজিং লমতাক্লম্বা সোরোখাইবম মোধুচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিং, আর্টিষ্টশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি কে হেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): শুগনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাসনানা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী মখা চথরকপা ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা লম্বীগী অকুৎ-অতোংশিং মেনশিন্দুনা লম্বী শেমজিনখ্রে। সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাসনাগী লীচিং মখাদা য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) সাউথ দিভিজনগী মেম্বরশিংনা শুগনু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা চাইরেলদগী কচারতবী য়ৌবা কিলোমিটর ৪ হেন্না শাংবা লম্বী অমদি ৱাঙু লমখায় (ৱাংজিং খুনৌ)দগী ৱাঙু তেরা য়ৌবা কিলোমিটর ৮ শাংবা লম্বীগী অকুৎপশিং নুঙ হৈজিন্দুনা শেমজিনবগী থবক চথখ্রে হায়রি।

ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগদবনি : কিমাক্স

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী একাদেমীক সেসন ২০২০-২১গী এম এ কোর্সতা শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কোলেজ (এস এস বি দি এম সী), গর্ভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ (জি দি সী) অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী (জে এন এম দি এ)গী মহৈরোয়বশিংবু মিং চলহনগদবনি হায়না চঙশিল্লকখিবা হৌজিক লোইশিন্দনা লৈরিবা খোঙজং অসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়না কিমাক্সকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি আর কে লেনিনসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী মিং চনবগী অয়াবা পীদ্রিবফাওবা এম য়ু সীগী হৌখিবা ওগষ্ট ২৭তা থোকখিবা বি এ ফর্ষ্ট সেমিষ্টরদা মিং চন্নবগী নোটিশ অদু অথিংবা লৈগনি। ৱারোইশিন পুরক্ত্রিফাওবা কনাগুম্বা মহৈরোয় অমত্তনা মিং চন্ননবা হোৎনবীগনু। মসিগী মায়োক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটি, ওজা খরা অমদি মহৈরোয় খরনা গুন্দাইজম চথদুনা লৈবনা য়ুনিভর্সিটি অসি মুৎখিবা নত্তনা কান্নবা অমত্তা লৈরোই হায়না কিমাক্স অমদি এ এম এম এনা লৌই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী ভিশারদ/দিপ্লোমা অমসুং য়ু জি সীগী বি এ লোইরবা মহৈরোয় অমনা হায়রিবা সবজেক্টশিং হাঙবা ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটি অমদা এম এদা মিং চনবা য়াই হায়বসি য়ু জি সীগী চৎন-কাঙলোনদা য়াওরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওনা ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটি কয়াদসু চৎনরি। অদুবু এম য়ু সীনা মসিগী মহৈরোয় খরগা লৌতুনরগা চৎন-কাঙলোন অসি থুগায়দুনা মরন্নাইগী ওইবা ৱাখলনা মাঙদা থমদুনা ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী মহৈরোয়শিংবু তম্বা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরি। মসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি এম য়ু সী মুৎপা নত্তনা করিসু লৈরোই। য়ুনিভর্সিটি অসি মুৎপা য়াবগী য়াম্না ময়েক লারবা খুদম অমা হায়বা তারগদি দিপার্টমেন্ট ১১গী অপূনবা মহৈরোয় ৯৪ খক লৈবসিনি। মসিদা নত্তনা দিপার্টমেন্ট অমদা ওজা ৬/৬ লৈরগা মহৈরোয় মশীংনা ৪/৬ লৈবা য়াওরি। মসিমক য়াম্না ঈকায়নিংঙাইনি। এম য়ু সী অসি লিংখৎতুনা অরেম্বদা শেল ময়াম মাঙহল্লম্বগী মহুৎতা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা দি এম য়ুনিভর্সিটিদা কলচরগী ওইবা দিপার্টমেন্টশিং হাংদোক্লম্বনা হেন্না ফরম্বনি। পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গর্ভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী বিল্ডিং সেকেন্দ ফ্লোরদা এম এ কোর্সকী ক্লাস তৌনবনি হায়দুনা লুপা ক্রোর ১ রোম চঙনা কা ১১ শাগৎহল্লগা হোংজিনবফাওবা তৌরমদনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা ন্যু লাইট পব্লিক স্কুল হায়বা প্রাইভেট স্কুল অমদা থা থাগী লুপা লিশিং ৭০ কা অৱাইমল পীদুনা এম য়ু সীগী কেম্পস হোংদোক্তুনা চেনখি। মসি খ্বাইদগী চুমদবা য়াম্না মথোং হুক্তবা থৌওং অমনি হায়না লৌই। মসিনসু এম য়ু সী অসি কনাগুম্বা খরনা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌবা মপু পান্দবগা মান্নরে হায়বনি। অশোয়বা অরানবা কয়া চুমথোক্লবা তৌবা থবক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোইদোকপা পূক্নিং চঙদবা অমদি লৈবাকসিগী লৈরিবা সী এস ও/ওর্গনাইজেসনশিংনসু থোইদোকপা মীৎয়েং চঙদনা অমদি অচুম্বা করিনো খঙদবদৌনা লৈরি।

মণিপুরী কলচরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা মালেমসিগী ওইবা এদ্যুকেসন সিষ্টমদা পুশিন্দুনা মালেমগী মীয়াম্না তমজবা ফংহন্নবগীদমক্তা কুমজা ২০১৫দা মতমদুগী লৈঙাক্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লিংখৎখিবনি। এস এস বি দি এম সী, জি দি সী অমদি জে এন এম দি এগী ভিশারদ/দিপ্লোমাগা লোয়ননা য়ু জি সীগী বি এ লোইরবা মহৈরোয়শিংবু এম এ কোর্স তমহন্দুনা পি ঐচ দিনচিংবা চথহন্দুনা অৱাংবা থাককী এদ্যুকেসন পীনবগী ৱাখল্লোন্দা এম এ কোর্স অমসুং পি ঐচ দি কোর্স খক্তমক লৈগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসি লিংখৎখিবনি। অদুবু হৌগৎলকপদা ৱাখল তাদবা মপু পান্দবগী মওং অমদা লৈরি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী নৌনা হাংদোকপা এম এ কোর্সকী অহানবা একাদেমীক সেসন ২০২০-২১গী এম এদা মিং চন্নবগী ফমখিবা একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফম্বু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটি অমদি মহৈরোয় খরনা লৌতুনদুনা লান্না লমজিংদুনা মণিপুরগী কলচরগী বেকবোন ওইরিবা ইন্সটিট্যুট ৩ অসিগী মহৈরোয়শিং তম্বা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌহনখি। মসিনা য়ুনিভর্সিটি অসি মুৎপগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিল্লক্লি। হৌজিক য়াম্না লাইবক থীরিবদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল অমসুং একাদেমীক কাউন্সীলগী মেম্বরশিং পাত্তক্না রিজাইন তৌখিবা অসিসু অমনি।

কিমাক্স অমদি এ এম এম এগী মায়কৈদগী হায়জনিংবদি নম্ফুদা লৌশিনখিবা ৱারেপ হন্দোক্তুনা ইন্সটিট্যুট ৩সিগী মহৈরোয়শিংবু এম য়ু সীগী এম এ কোর্সতা মিং চনবা য়ানবা থবক পায়খৎলু। কোভিদ-১৯গী অথিংবনা মরম ওইদুনা মপান থোকপা য়াদবদগী নেমথরুরবা খোঙজং অসি কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৌথোরক্লবনিনা তোঙান তোঙানবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না কিমাক্স অমদি এ এম এম এগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইচুম কৈরাপ কোম খুলগী ওথোরিটিগী রাইট মাঙহনবা য়ারোই : ফেদরেসন ওফ হাওমি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): ইচুম কৈরাপ কোম খুলগী ওথোরিটিগী রাইট মাঙহনবা য়ারোই হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. লৈশেম্বা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইচুম কৈরাপ কোমগী ওথোরিটিশিংগী রাইট কুকি ইনপি মোল্টান লহাং কৈথেলমানবীনা শুপ্নম তৌদুনা ইচুমগী খুঞ্জা অমবু তাম্থোকপা হায়বসি মরম চাদে হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিনা লৌই। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা হায়রিবা লূপ অসিনা জেইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস)কী কো-কনভেনরসু ওইরম্বা চুখোহাও মাংতেবু য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া অমা পীশিল্লগা ইচুম কোমদগী তাম্থোক্লে, লৈবা য়ারোই হায়রিবা অসি কুকি ইনপি মোল্টান লহাংগী রাইট নত্তে। ইচুম কোম মনুংগী ৱাথোক্তা কুকিনা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি। কোম হায়বা ফুরুপ অসি য়েক-সলাই লৈবা (এবওরিজিন) ওইবা ফুরুপনি। কোমগুম্বা অপীক-অপীকপা মীশিং য়ামজদবা ফুরুপ অসি মতম খূদিংমক্তা অকি-অখঙ পীরিবা অসি মখা তানা তৌরোইদবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২১দা চুংখোহাও মাংতেনা ৱাটচএপতা ইখিবা ৱাফমদা চুম্মী লাল্লি হায়না কুকি ইনপি মোল্টাননা হায়বগী মথৌ তাদে। চুংখোহাও মাংতেগী য়ুমদা থাঙ-তেন পায়দুনা য়ুম-কৈ থুগায়বদা নত্তনা মপু য়াওদনা য়ুমদা চঙলবদি লোগী মতেং লৌবা হায়বসি মথৌ তাই। মসিদা কুকি ইনপি অসিনা কৌবগী মথৌ তাদে। কুকি ইনপি মোল্টাননা খঙগদবদি য়েলহৌ ফুরুপ অমগী অৱাবা তারকপদা ফেদরেসন ওফ হাওমিনা মখোয়গীদমক্তা লেপকনি। কোমদা নত্তনা য়েক-সলাই লৈবা য়েলহৌমী ফুরুপ খূদিংমক্কীদমক ফেদরেসন ওফ হাওমিনা মচিল-মনাও ওইবগী তৌফম থোকপদু তৌগনি। মসি য়েক-সলাই লৈতবা কাঙবুনদি মতাং অসি খঙলোই।

কুকি ইনপি মোল্টাননা চুংখোহাও মাংতেবু বোয়কোট তৌবগী ৱাফম অসি অথুবদা হন্দোক্কদবনি। মসি চৎনবা য়ারোই। ফেদরেসন ওফ হাওমিনা থম্লিবা ৱাফমসি থবক্তা ওন্থোরক্কবদি ৱাথোক ওইহল্লিবা ইচুম কৈরাপ কোমদা শৈদাংলিবশিং অসি হাওমিনা বোয়কোট তৌরকপসু য়াই। অদুবু ফেদরেসন ওফ হাওমিনা ইচুম কৈরাপ কোমগী চীফ অমদি ওথোরিটিগী রাইটপু কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই। চুংখোহাও মাংতে ইচুম কৈরাপ কোমদা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা অশোক-অপন, অকি-অখঙ লাকপা খূদিংমক কুকি ইনপি মোল্টাননা থৌদাং পুগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): সিনিয়র সিটিজন ফোরম ককচিংগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা কৈরক অৱাং লৈকায়দগী খুরাইজম শাজৌনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা হৌখিবা ওগষ্ট ৩০দা ফোরমগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না সিনিয়র সিটিজন ফোরম ককচিংগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা খুরাইজম শাজৌগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাহনবীনবা মপুগী মফমদা থৌনিজখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। খুরাইজম শাজৌনা লৈখিদবা অসি ফোরমগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অহাঙবা অমা ওইহৌরগনি হায়নসু শীংথাখি।

ইমুং ৩৭৮দা চেঙ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অম্মোৱোভা), পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমসুং অমুকোনা পুল্লগা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শুফম নোম্ফম খঙহন্দবদগী অতৈ মফম কয়াগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মতেং পাংবগী থবক ঙসিসু মখা তানা চথরি। ঙসি লূপ অহুম অসিনা কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা চৎতুনা পুন্না ইমুং ৩৭৮দা চেঙগী মতেং পাংখ্রে হায়না অম্মোৱোভাগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সুজাতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চেঙ মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদুদা অম্মোৱোভাগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানি, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি থোঙাম অপাবী লৈমা অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংসু শরুক য়াখি। হৌজিক কোভিদ-১৯না য়াম্না শাথিবা চৈথেং অমা লমদমসিগী মীয়াম্না ফংলুবদু খরা ফীভম ফগৎলবসু লায়রবা মীয়ামদদি কোয়না চৎতুনা হান্নগুম্না লল্লোন-ইতিক তৌবা অমদি থবক শুফম লৈত্রিবনা অদুম্মক চীঞ্জাক্কী অৱাবা মায়োক্লরি। মরম অদুনা লূপ অহুম অসিনা মখা তানা মণিপুরগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা ময়ামদগী খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুংশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মফম মফমদুগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি অম্মোৱোভাগী থৌমীশিংগা খুৎশম্নরগা ঙমজবা চেঙগী মতেং পাংবগী থবকসি চথখিগনি।

চেঙ মতেং পাংবগী থবক অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী মতেংগা লোয়ননা চথখিবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রী টেক্সি সর্ভিস লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): ভলন্টিয়র্স ওফ দিজাষ্টর ফোরম (ভি দি আর এফ)না কোভিদ-১৯ রেস্পোন্স ফন্দগী মখাদা মীয়াম্না কোভিদ টেষ্টিং তৌনবগীদমক চথরকপা অনীশুবা ফেজগী ফ্রী টেক্সি সর্ভিস চৎলিবা থা অসিগী ২৯দা লোইশিনখ্রে।

চহী অসিগী ওগষ্ট ৪দা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা লোঞ্চ তৌখিবা অনীশুবা ফেজগী ফ্রী টেক্সি সর্ভিস অসিনা মীওই ২৫০ রোমদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থিনবা অমদি কোভিদ টেষ্ট তৌনবগীদমক টেষ্টিং সেন্টর চৎপগী খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

ভলন্টিয়র্স ওফ দিজাষ্টর রিলিফ ফোরমনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎখিবা ফ্রী টেক্সি সর্ভিস অসি পুকচেল চাউরবা মীওইশিংনা শেলগী অমদি ৱাখলগী মতেং পাংবীরকখিবনা মপুং ফানা মীয়ামগী সর্ভিস অসি ফজনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমখিবনি। লোয়ননা সর্ভিস অসি মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবদা অফবা মরী থম্বীরকখিবা চীফ মেদিকেল ওফিসর ককচিং অমদি মহাক্কী ষ্টাফশিং মরুওইনা কোভিদ ক্যের সেন্টর ককচিং হায়র সেকেন্দরিগী ইন-চার্জ ডা. এম অরুন অমদি মহাক্কী ষ্টাফশিংবু ভি দি আর এফকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ চেক অপ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): ত্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর পোরোম্পাৎতা ঙসি হেল্থ চেক অপ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

হেল্থ চেক অপ কেম্প অদু মরুপলোই ফাউন্দেসন্না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ত্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর পোরোম্পাৎনা জেনিমস হোস্পিটাল অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা ত্রান্সৱিমেন অমসুং ত্রান্সমেন পুন্না ত্রান্সজেন্দর ৬৫ হেল্থ চেক অপ তৌখি। কেম্প অদু জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. কে ঐচ লোকেশ্বরনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিনগী সিনিয়র রেসিদেন্ট ডা. উথান থরোইজম, জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দোক্রিনোলোজিগী প্রোফেসর ডা. কে এস অচৌবা অমদি মহাক্কী টিম, সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর ডা. পোলি নুলা, ডা. তোংব্রম জয়ানন্দ অমসুং আইটেক ইন্দিয়াগী মেদিকেল এদভাইজর ডা. ইঙুদুম ললিতসু শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা হিদাক-লাংথকসু লেম্না পীখি। কেম্প অদুগা মরী লৈননা ত্রান্সজেন্দরশিংগী কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

মতম খরা শেন্দোই খোম্বা লেপ্পীয়ু : মপি কাউন্সীল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): প্রাইভেট বেঙ্ক, মাইক্রো ফাইনান্স অমদি লন্নাই ওইনা শেল শান্দোক্লিবশিংনা মতম খরা শেন্দোই খোম্বা লেপ্পীয়ু হায়না মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সীলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মপি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ কে সী রোমিওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভনা মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা চৈথেং পীরক্তুনা মরুওইনা শেন্মীৎলোন লৈজদবা মণিপুরী খুন্নাই অসিগী শেন্থোক মরাং কায়না লৈজদবা লৈবাক মীয়ামদা চৈথেং কয়া ফংখ্রবগী তুংদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা অমুক খুন্নাই অসিদা অকিবা ফংনা লান্দারক্তুনা নোংম-নোংমগী মীশি-মীনা চাউনা থোকহনবদা নত্তনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ২৫গী মথক্তা লৈবা য়াওখ্রে। হৌজিক হান্না লৈরম্বা চাংদগী খরা হন্থরে হায়বতনি। খুদোংথিবগী চাংদি অদুম্মক ৱাংনা লৈরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অখঙ-অহৈশিংগী মতুংইন্না চাদা ৫গী মখাদা লৈত্রিবমখৈ লায়না-লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌরে হায়না লৌবা য়াদ্রিবনি। হৌজিক ষ্টেট অসিদা চাদা ১০গী ময়া অমদি মথক্তা নুংতিগী পোজিটিভ ওইবা থেংনরিবনি। লোয়ননা শিবসু লেপত্রিবনি। ফীভমসি অদুম্মক লুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অয়ুক-নুংথিলগী কর্ফিয়ু মতম খরা কোমথোকপদনি। কোমথোক্লিঙৈ মনুংদসু লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী লোয়শঙশিং লোয়ননা কৈথেলদা মনা-মশিং য়োল্লিবা পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিং ফম্বা য়াদ্রিবনি। য়ারিবা খরসিসু অকক্লবা নুমীৎ অমদি মতমদা খক্তা হাংবা য়াহল্লিবনি। মসিগী মথক্তসু কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভকী অকিবা অমসু মীয়ামদা লৈরিবনি। কোভিদকী চৈথেং অমদি কর্ফিয়ুগী অৱাবা মরক্তগী মীয়াম শ্বর খজিক্তং হোন্দোরকপদা ঙাইরি। লৈত-লায়রগী অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লরিবনি।

লৈঙাক্লসু কোভিদকী চৈথেং অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং খরদা ওইরবসু পাংননবা হায়দুনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া ফংহন্ননবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক অসিদা প্রাইভেট বেঙ্ক, মাইক্রো ফাইনান্স চলাইদুনা নুংতিগী শেল খোমগৎলিবা অমদি লন্নাই শেন্দোই চাবা কাঙবুশিংনা মীয়ামগী অৱাবা উদবমখৈ লল্লোন-ইতিক মপুং ফানা তৌবা য়াদ্রিঙৈ তাল্লক অসিদা শেন্দোই পীখৎলক্কবা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা শেল থৌরিবশিং সিচ্যুএসন অসি কন্ট্রোল তৌদুনা নোর্মেল ওইদ্রিবা ফাওবদি মতম খরা লেপ্পীয়ু। লোয়ননা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লায়রবগী ঈ চুপ্পগী মওংদা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা তৌনদবা লৌনিংবা লৌবা শেন্দোই খুৎলৌ হায়বদি চাদা ১০, চাদা ১৮, চাদা ২০, চাদা ৩০ ফাওবা লৌরিবসি খুদক্তা লেপকদবনি। লোয়ননা লৈঙাক্লসু ৱাফমশিং অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। নৎত্রবদি শেল শীংবা ঙমদবগী অৱাবনা ষ্টেট অসি মমা-মপা, মচিল-মনাও কায়নরবা কাং-খোং চাইরবা মীরোল অমা ওইহৌরগনি। নাকল অমরোমদা, মশাগী শিনফম লৈতনা লান্না হায়জিল্লগা শেল পুবগী হৈনবীসু মীয়াম্না থাদোকপীয়ু। থবক শুবা অমদি শুনিংবগী হৈনবী তশেংনা লৈসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

‘ৱাখল তামিন্নদুনা অৱা-চৈথেং খাংমিন্নবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): কোভিদ লায়না-লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেং কয়া অসি লৈঙাক্লা লোয়নমক কুপ্না য়েংশিনবা তৌদবনিনা ঐখোয় পুম্নমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা অৱা-চৈথেং খাংমিন্নবা মথৌ তাই হায়না ষ্ট্রগ্লিং ৱিমেন্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্ট্রগ্লিং ৱিমেন্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল লাংলেন চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ লায়না-লাইচৎনা খম থেংনা শোকহল্লক্তুনা মীশি-মীনা অঙকপা ফংনা থোকহল্লকপগা লোয়ননা মালেমগী মফম খরদা লায়না অসি শনে দারকপগী চাং নেমথরক্লবসু লোইবা নাইদনা লৈরিবসিগী মনুংদা ইরমদম মণিপুরসু য়াওরি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ইরমদম মণিপুরদসু খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরি হায়বসি ইরৈচা পুম্নমক্লা কাউথোকপগুম তৌরি। লায়না-লাইচৎ অসি অদুম্মক লৈখিগদৌরিবনিনা ঐখোয় পুম্নমক চেকশিনবা মথৌ তারি। লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং নংলবা ইরৈচাশিংগী মরক্তা য়াম্না হেন্না অৱা-চৈথেং ফংলিবদি নোংমগী শুরগা চাজবা মীওইশিংনি। মরুওইনা এন্সাং-নাপী, মনা-মশিং, অচা-অথক, নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম য়োল্লিবা পোৎফম ফম্বী, দুকান ফম্বশিংদা শেল শানবীরিবশিংনা অহেনবা প্রেসর অমদি হরাসমেন্ট পীবীদনা শেলহুল পুখখিবা মতমশিং ফীভম ফরক্লবা মতমদা শেলহুল শাংথনা লৌবীবা য়াই। হৌজিক্তি মতম খরা লেপ্পীবা ফৈ।

লৈঙাক্কী অথিংবা অমগী মখাদা পুলিসনা লৈরক-খুল্লক্তা মী পুনবা, মরুপ শান্নবা থিংদুনা মরুপ শান্নবা লেপ্লিবসি ফীভম ফরক্লবা কান্দা শান্নবা য়াই। প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা কোভিদ মনুংগী য়েংবীদুনা লোনশিংগী পুখখিবা শেনফম ফীভম ফরবা কান্দা শেলহুল লৌবদা করিসু অকায়বা লৈরোই। নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংগী লোনশিংগী কোভিদ মনুংগী পুখখিবা শেলহুল ৱারবা লোনিশিংগী য়েংবীদুনা ইন্টরেষ্ট ৱাংখৎতনবা লৈঙাক্লা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপীয়ু। দুকান নৎত্রগা য়ুম শাল্লিবশিংনা য়ারিবমখৈ অৱাইমল লৌবদা শরুক অহুম থোকপগী অমত্তং লৌবীয়ু। থার্দ ৱেভ লাক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি মীয়ামসিগী মরক্তা খৎন-চৈনবা কয়া থোক্লকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী অফবা নত্তে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎপা থবক্কী কান্নবশিং ফংদনা লৈরম্লে : লন্নাই মপারী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎপা অফবা থবক্কী কান্নবশিং লন্নাই মায়কৈগী মীয়ামদা করিসু ফংদনা লৈরম্লে হায়না লন্নাই মপারী থৌগল লূপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লন্নাই মপারী থৌগল লূপনা তপ্না তপ্না মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং ফংহল্লকপদগী লন্নাই মায়কৈদগী মীয়াম মীকপ থোক্লক্লে। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা চৈথেং পীরক্লিবা অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা লৈঙাক অসিগী আয়ুশ লোয়শঙনা ইম্যুন কনখৎননবা পীরিবা হিদাক অর্সিনিকম এলবম-৩০ অমদি কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা মীওইশিংনা শীজিন্নগদবা আয়ুশ-৬৪ লন্নাই মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়েন্থোকখ্রে। লন্নাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক হৈরোক, নোংদম, লৈমখোং মপাল, নাপেৎ, থম্নাপোকপী, শওঙ্কু থোংখোং, চলৌ, চিংনুংখোক, কম্বোংপুৎ, তুইসেনফাই, নোঙাদা অৱাং লৈকায়, তেরাফাই অমদি নোংমাইবন্দগী মফমশিংদা য়েন্থোকখিবনি। লন্নাই এ সীগা খুল লোন্নরিবা সাউথ লৌসিং খুলদসু হিদাক মখলশিং অসি ফংহনখি।

মণিপুর লৈঙাক্ল অসিগুম্বা কান্নরবা হিদাকশিং মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবগীদমক লেম্না য়েন্থোক্লবগী থৌরাং অমা শীনবীরকপগীদমক লন্নাই মায়কৈগী মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৌখৎপা অফবা থবকশিং মীয়ামদা ফংহন্ননবা হোৎনবীরমদবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ৱার ওন দ্রগসকী ঈহৌ ফাওবা লন্নাইদা মমি তাদনা লৈরমখি। ঙসিদি লন্নাই মায়কৈদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অমদি লৈঙাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিং লন্নাই মপারী থৌগল লূপনা মমি তাহনবা ঙম্লে। অহোংবা কয়া অসিদা মীয়াম্না থাজবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লন্নাই মায়কৈদা অওনবা অমগীদমক ঈখৌ লাংবা হেনগৎলক্লে। মখা তানা লূপ অসিনা মীয়ামগীদমক অহেনবা থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক লূপ অসিগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। অনা-লায়েং চথরকপা মতমদা লন্নাই মায়কৈগী মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাবশিং অসি খরদা ওইরবসু কোক্লনবা মীওইবগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনবদা লন্নাই মায়কৈদগী অনাবশিংনা তঙাইফদনা চঙবা ঈশিং লন্নাই মপারী থৌগল লূপকী থৌমীশিংনা কৎপা হায়না ৱারেপ্লরে। লূপ অসিগী থৌমীশিংগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈনা মীয়ামগী পুন্সিগীদমক কথোক্কনি হায়বা ৱারেপ অসি সেপ্টেম্বর ১দগী থবক্তা ওন্থোকপা হায়নসু লেপ্নখ্রে। মরম অদুনা লন্নাই মায়কৈদগী মীয়াম্না অনা-অয়েক য়াওরক্তুনা তঙাইফদনা ঈগী অৱাৎপা লৈরগদি লূপ অসিদা পাউ ফাওরক্নবসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

অকনবা এক্সন লৌখৎননবা ইপাক্লা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস): জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী খুৎশুমলশিং হুরানবশিংগী খুৎতা তারিবশিং অসি লৈঙাক্লা লোন্না অমদি ফোংনা পাউ লৌখৎতুনা কুপ্না থিদোক্তুনা অকনবা এক্সন লৌননবা ইপাক্লা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২০গী এপ্রিল থাদগী ইপাক্লা এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী য়াইফননবা নুমীৎ মশীং শুনা থবক শুননবা অমদি খুৎশুমল নীংথিনা ফংননবা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। ইপাক্লা পায়খৎপা থবকশিংগী মনুংদা এম এল এ, জিলা পরিষদ মেম্বর, গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা চঙলকপা শেনফম খোমগৎপা অমদি জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী রাইট মৎপা কয়া মায়োক্লরকপা, অশোয়বা কয়া য়াওরল্লবসু চুমথোকমিন্নবা অমদি মরাল লৈবশিংনা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎতুনা এক্সন লৌননবা ইপাক্লা হোৎনদুনা লাক্লি। মরী লৈনবা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মিনিষ্টরনসু অসিগুম্বা অশোয়বা কয়া চুমথোক্তুনা এক্সন লৌখৎপা কয়া য়াওখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি কুমজা ২০২০-২১গী সেসনসিদসু হান্নগুম এম এল এ, জিলা পরিষদ মেম্বর, গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, মেম্বরশিংনা জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা চঙলকপা শেনফম খোমগৎপগা লোয়ননা জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী রাইট মৎপগী থবক মখা শমথরকপা অসিনি। মসিগা মরী লৈননা জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংনা ইপাক্তা হান্নগুম য়েংশিনবীনবা মখোয়গী ৱাকৎশিং মরী লৈনবশিংদা য়ৌহন্দুনা এক্সন লৌননবা ইপাক্কী মতেং লৌরক্লি। শেমদোকপা য়াররোইদবা ৱাদনা শেল তান্নিংবশিংনা লৈঙাক্কী ফন্দ লান্না জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা থাজিনবা, নুমীৎ মশীং ৱাৎনা থবক শুহনবা, লেমহৌরিবা থবক শুহন্দবা নুমীৎশিংগী য়াওনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী একাউন্টতা খুৎশুমলগী শেনফম পুন্না হাপ্পা লোয়ননা থবক শুখিদবা নুমীৎশিংগী শেনফমশিং অমুক খোমগৎপা কয়া অসি নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা খুৎপু অমনা চথবনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা ফীভমশিং লৈঙাক্লা শেমদোক্লনবা, শেঞ্জা-থুমজা থিংননবা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সী অমা ওইরিবা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্ট অসি দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা আই জি পি নৎত্রগা দি আই জি অমগী মখাদা থমদুনা মথৌ নীংথিনা তৌনবা হোৎনগদবনি। নৎত্রগদি তুংগী মীরোলশিংনা মতৌ তম্নদুনা শেঞ্জা-থুমজা অমদি লৈঙাক্কী অচৌবা শেনফম হুরানবা অসি ফজবা, লেমজবা চৎনবী অমা ওইনা খুন্নাইসিদা চুদুনা লৈহৌরগনি।

লৈকায়, খুলশিংগী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেল অমদি লোকেল ক্লবশিংনসু জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী য়াইফননবা হোৎনরিবা থবকশিং অসিদা মতেং পাংবীনবা ইপাক্লা নোল্লুকচরি। লোয়ননা লৈকায়গী লোকেল ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু অরানবা তৌরিবা প্রধান, মেম্বরশিং, জি আর এস অমদি বি দি ওশিং চুমথোকপীননবা হায়বীয়ু। জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী লৈকায় লৈকায়গী কম্মিটিশিং অমদি কন্সটিট্যুএন্সি, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ষ্টেট লেভেলগী কম্মিটি/য়ুনিয়ন/এসোসিএসনশিং শেমজনবা ইপাক্লা অকনবা থবক লৌখৎলগনি। ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু লৈকায় খুলগী জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী কম্মিটি শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। জোব কার্দ হোল্ডর/লেবরশিংগী শেল লান্না খোমগৎলিবশিং মশানা খঙনা শেল হন্দোক্লবা ইপাক্লা অকনবা চেকশিন ৱা থমজরি। অনম কনবশিংনা মমিং-মথা য়াওনা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা লিগেল এক্সন লৌখৎপগী থবকশিং ইপাক্লা চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।